কে ঐচ অরবজান বেগম মেমোরিএল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

সনরাইজ ক্লবনা লৈশেম ক্লব (এ) অদুগা সী কে সী (এ)না কে এম ৱাই সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১২দগী হৌরগা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা টিম ১১না শরুক যাদুনা চথরিবা অহানবা কে ঐচ অরবজান বেগম মেমোরিএল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৫-এসাইদ সব-জুনিয়র বোইজ অন্দর-১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ মেটচশিংগী ওইনা সনরাইজ ক্লবনা লৈশেম ক্লব (এ) অদুগা সী কে সী (এ)না কে এম ৱাই সী মায়থীবা পীখ্রে। গ্রুপ অসিগী ওইনা সী কে সী (এ)না ৱিন্নর অদুগা সনরাইজ ক্লবনা রন্নর্স অপ ওইদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবদগী হৌরগা সনরাইজ ক্লব অমসুং লৈশেম ক্লব (এ)গী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ১৫ শুবা মিনটতা সনরাইজ ক্লবকী জর্সি নম্বর ২ যু অহেনবনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। ইকান কান্নদনা মেটচ অদুগী ১৭শুবা মিনটতা লৈশেম ক্লব (এ)গী শান্নরোয় এ সনাথোইনা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌগৎলকপদা সনরাইজ ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৩৬শুবা মিনটতা সনরাইজ ক্লবকী সী ঐচ রোশননা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুবু মেটচ লোইবা ফাওবদা লৈশেম ক্লব (এ)গী ওইনা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবদগী সনরাইজ ক্লবনা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-১দা থোইখিবনি।

অমরোমদা, নুংথিল পুং ৩.৪৫ তাবদগী হৌরগা সী কে সী (এ) অমসুং কে এম ৱাই সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা সী কে সী (এ)গী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৮শুবা মিনটতা সী কে সী (এ)গী শান্নরোয় এম দি নজিরনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাখি। অনীশুবা হাফকী ৪১শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় রোহিটনা মখা তানা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু সী কে সী (এ)না পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি।

হয়েং ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী অহানবা মেটচতা য়াওল ক্লব অমসুং ওরিয়েন্টেল ক্লব অদুগা অনীশুবা মেটচতা পি এস জি অমসুং সী কে সী (বি) লম্বা তৌনরগনি।

আই এস এল : অহানবা লেগকী সেমীফাইনেল মেটচতা ওরিষ্যা এফ সীনা মোহন বগান থোইখ্রে

ভুবনেশ্বর, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী): হৌজিক-হৌজিক চথরিবা আই এস এল সিজনগী ওইনা অহানবা লেগকী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অমদা ওরিষ্যা এফ সীনা মোহন বগান মায়থীবা পীখ্রে।

ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবদগী হৌরগা ওরিষ্যা এফ সী অমসুং মোহন বগানগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা মোহন বগাননা বোল পায়বগী চাং হেনখি। মোহন বগাননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬১ ওইখিবা মতমদা ওরিষ্যা এফ সীনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৩৯ খক্তমক ওইখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৩শুবা মিনটতা মোহন বগানগী মনভির সিংহনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু ওরিষ্যাগী কার্লোস দেলগাদোনা মেটচ অদুগী ১১শুবা মিনটতা অমুক হন্দোকপা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৩৯ শুবা মিনটতা ওরিষ্যা এফ সীগী রোই কৃষ্ণনা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ওরিষ্যা এফ সীনা মোহন বগানদগী পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থারগা লৈখি।

সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগ অসিবু মায় পাক্তবা য়াদে হায়দুনা অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হান্নদগী হেন্না কন্না শান্নরকখি অমদি ফাউল তৌনবগী চাংসু হেনগৎলকখি। মেটচ অদুগী ৬৭ অমসুং ৭৪ শুবা মিনটতা মথংশিংনা মোহন বগানগী অর্মান্দো সাদিকু অমদি ওরিষ্যা এফ সীগী কার্লোস দেলগাদোবু রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মরক্তা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু ওরিষ্যা এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখিবনি।

এন ঈ ওলিম্পিক্স গেমসতা মায় পাক্লা শরুক য়ারুরবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে

RECEPTION OF
PLAYERS OF KAKCHING DISTRICT
PARTICIPATED IN NE OLYMPIC GAMES
HELD IN NAGALAND
KAKCHING DISTRICT OLYMPIC ASSOCIATION

ককচীং, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): নাগালেন্দদা হন্দক্তগী পাঙথোকখিবা ৩লক শুবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক্স গেমসতা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা মায় পাক্লা শরুক য়াখিবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা শান্নরোয়শিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি লাংমৈদোং কম্মুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ককচীং দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক্স এসোসিএসননা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম ধর্মদাস, ভাইস প্রসিদেন্টশিং এম মুনাল, সী ঐচ মণিশ্বর, এদভাইজরশিং এম চন্দ্রসেখর, ক্ষেত্রিময়ুম মণিহার অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক্স এসোসিএসনগী থৌ পুবশিংনা শান্নরোয়শিংদা খূদোলপোৎশিং পীদুনা ইকাই খুম্নবা অমদি পূক্নিং থৌগৎপসু উৎখি।

ঙসি এসোসিএসন অসিনা তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি লাংমৈদোংদগী লৈফ্রাকপম রোজিনা, শিলহৈবা লৈতাঙ্থেম, মোইরাংথেম বিকাশ, থোকচোম সাগর, সুগ্নুদগী এল রাহুল, খম্বতোন, ককচীং ময়াই লৈকাই ইরুম নিংথৌ পরেংদগী নোংমাইথেম সুশিলকুমার, এলাংখাঙপোকপীদগী দল্লিয়ু সদানন্দ অমসুং ককচীং ময়াই লৈকাইদগী য়েংখোম অর্নোল্ডনি।

ডা. এল বালেশ্বর তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): ভোলিবোল একাদেমি ইম্ফাল ৱেষ্ট তোপ সিফাইনা শীন্দুনা মণিপুরদা ভোলিবোল মশান্না অসিবু য়োকখৎনবগীদমক কথোকপগা লোয়ননা হোৎনরিবা ডা. এল বালেশ্বর, সেক্রেটরি, ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসনবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ঈ পিশক মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাউন্দর ঈ বুধনা অথোইবা মীথুংলেন, এ এম ভি এগী সিম্পেথাইজর চবুংবম নুংশিজাওনা থৌরম মপূ অদুগা এ এম ভি এগী লাইফ মেম্বর ৱাহেংবম য়াইমনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডা. এল বালেশ্বরদা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অচম্বা খূদোলপোৎশিং তমদুনা ইকাই খুম্নবা অমদি পূক্নিং থৌগৎপা উৎখিবগা লোয়ননা মহাক্না ভোলিবোলগী লম্দা পায়খৎলিবা থবক থৌরম কয়া অদুগী মতাংদসু থাগৎ ৱাহে কয়া ফোঙদোক্লখি।

ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২৬ ফাওবা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী চেরোল অমদা হায়রি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯳ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

[illegible]

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯳ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

নেসনল বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): মথং থাগী ৮দগী হৌরগা ১৪ ফাওবা মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৪রক শুবা জুনিয়র নেসনল বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে হায়না মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ তেজকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, থা অসিগী ১২দগী হৌরগা ২১ ফাওবা মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ব্রহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোল কোর্টতা পাঙথোকখিবা ১৪রক শুবা ষ্টেট জুনিয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপতা যূম্ফম ওইরগা শান্নরোয়শিং অদু খনখিবনি।

নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারুনবগীদমক খনখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি ঈ এস য়ুগী ঐচ রিশিকান্ত, টি ঐচ ন্যুতন, কৃষ্ণচারিয়া, এম তেলহৈবা মৈতৈ; এল এম ৱাই ভি এগী এম লনচেনবা, ওয়েন মুতুম, এল রাহুল, ঐচ জেনিথ মঙাং, সী ৱাই এল সীগী শিবানন্দ লৌরেম্বম, টি ঐচ দেভিদ, এস অথৌবা মৈতৈ; মোদেল ক্লবকী আই চিংলেম্বা মৈতৈ, ঐচ লময়ানবা; মোইরাংগী কে দোইভ, এন জি ব্রোন্সন; য়ুঠ ক্লবকী আর কে দেবরাজ, আর কে রোশন; থৌবালগী এন অদিংতোন; চাঙদলগী ফোহরিং ৱাংশোল অমসুং ৱাই ও এস সীগী এন রোনাল্ড মীতৈনি।

খল্লবা শান্নরোয়শিং অসি থা অসিগী ২৪গী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা ব্রহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোলদা লাক্তুনা টিম কোচ বোরিশ অচোম অমদি মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ব্রজবিধুদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

ষ্টেট চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): ট্রাইথলোন এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৮গী অয়ুক পুং ৬ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা জুনিয়র এন্দ সব-জুনিয়র ষ্টেট ট্রাইথলোন অমসুং এক্বাথলোন চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী চেরোল অমদা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংনা মশা-মশাগী পাসপোর্ট ফোটো অমদি এজ প্রুফ সর্টিফিকেট অমমম্ লোয়নরক্কদবনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ কম ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদগী খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা চহী অসিগী জুন ১৪দগী হৌরগা ১৬ ফাওবা তেলঙ্গনাগী গাচিবোলি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা মিনি ওরেঞ্জ নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা শরুক য়াগনি হায়রি।

মে থাদা ওইনা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২৭তগী হৌরগা ৩০ ফাওবা ৱাবগাইগী কার্দ প্লেগ্রাউন্দদা মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ষ্টেট জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ মথং থাগী ২০দগী হৌরগা ২৪ ফাওবদা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ইন-চার্জনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। হৌজিক অঙাংশিংগী ওইনা চথরিবা স্কুলগী অহানবা টর্মিনেল এগজামনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা চেম্পিয়নশিপ অসি মতম খরগী ওইনা য়ৈথোকখিবনি। মসিগীদমক্তা ৱারৌবীরোই হায়রি।

ওলিম্পিয়াকোসনা য়ুরোপিয়ন টাইটল লৌবা ঙম্বা অহানবা গ্রীক ক্লব ওইরে

UEFA YOUTH LEAGUE 2024

নাইওন, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী): য়ু ঈ এফ এ য়ুঠ লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙরাং গ্রীক ক্লব ওলিম্পিয়াকোস অমসুং এ সী মিলানগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ওলিম্পিয়াকোসনা এ সী মিলানবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীরল্লগা য়ুরোপিয়ন টাইটল লৌবা ঙম্বা অহানবা গ্রীক ক্লব ওইবা ঙমখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপদা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা লৈখি। অদুমওইনমক অনীশুবা হাফতা ওলিম্পিয়াকোসকী শান্নরোয়শিংনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৬০ শুবা মিনটতা ওলিম্পিয়াকোসকী ওইনা পেনাল্টি কাওনবা খূদোংচাবা অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় খৃষ্টোস মৌজাকিটিসনা হৈন-শিংনা পাঞ্জলদা ওন্থোকপা ঙমখি। ইকান কান্নদনা থংনবা ৬১শুবা মিনটতা ওলিম্পিয়াকোসকী এন্টোনিওস পাপাকানেরোজনা পাঞ্জল অমা অমুক চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৬৬শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী থিওফানিস মকৌলাসনা ফজখ্রবা বাইসাইকল কিক্ অমা কাওশিন্দুনা পাঞ্জল অমা অমুক চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ লোইবা ফাওবদা এ সী মিলানগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ওলিম্পিয়াকোসনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখিবনি।

য়ু ঈ এফ এ য়ুঠ লীগকী ৱিন্নরদা পীরিবা লেনার্টজোহান্সন ট্রোফি অসি লৈখিদ্রবা স্বিদিশ ফুটবোল এদমিনিষ্ট্রেটরগী মমিংদা পীবনি। হায়রিবা স্বিদিশ ফুটবোল অসিনা য়ু ঈ এফ এ অসি কুমজা ১৯৯০দগী হৌরগা ২০০৭ ফাওবা চল্লাইরমখি।

পনবা য়াবদি, ওলিম্পিয়াকোসনা ফাইনেল য়ৌনবা হোৎনবদা লীস, ইন্টর মিলান, লেন্স, বেয়র্ন ম্যুনিক অমদি নান্টেজনচিংবা মমিং লৈরবা ক্লব কয়া নোক আউটতা মায়থীবা পীরমখিবনি।

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

ৱারোইশিন্দসু অহান-অকোন লৈবনি

(৫১২)

মতমগী মতুংইন্না মালেমদা অহোংবা অওনবা কয়া লাকই। অদুবু ঐখোয় শ্বাইদদি নাতৈ চাবা অমত্তা থুংলদে। মীখলদা খ্বাইদগী তুকৎচবা মনি পারর, মসল পাররগা হায়বদু ষ্টেটসিদা য়াম্না লেম্বা শারগা হন্দক্কী লোক সভা ইলেক্সনগী অহানবা ফেজদা ইন্নর মণিপুরগী মফম কয়াদা য়ৌশিল্লকখ্রে। চীংনা পুংকোয় কোয়শিনবা তম্পাক লমদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদু পোলিটিকেল পার্টি অখন্নবা অমগীদি শির-শি চঙল-চঙ মতাগুম মায় পাক্তবা য়াদে খন্না অরৈবা পাম্বে পূম্বা পুথোরকপদা করি খঙজদবা ভোটর ময়াম তরং-মলংদা ভোট থাদনখি। কায়দে- মাগী-মাগী হিংনবা লম্বী থিনজবনি। হিংনবা পোক্লক্লবনিনা হিংনবা হোৎনজবনি। তাৎ-পাৎকীসু মফম-মতম লৈ হায়বসি খঙলে। অদুবু কুইদি কুইগন্দে হায়নবনিকো, খঙদ্রে। চহী ফারক্লবা কুকিগী লান, লান্দুনা ফূরুপ অমা খম থেংনা চৈথেং ফংদুনা মরমদম মক্তদা রিফ্যুজী ওইদুনা হিংবগী মহাও য়াওদ্রবা পূন্সি মরেলদা লেল্লিবশিংদা মীনুংশিগী মীৎয়েং মচেৎ অমত্তা য়াওদনা হেন্না-হেন্না অশোকপদা থুম থাকচিল্লিবা ইলেক্সননা ফূরুপকী ইন্টিগ্রিটিদা অকনবা শাফূ অমা পীরকখিবা অসিদি থম্মোয় কায়খিদবা কনাসু লৈরল্লোই। কুকিনা মীতৈ তুন্না হাৎলগে মতাগুম অউবা থেংনবা খূদিং নোংমৈনা, বোম্না লান্দারক্লিঙৈ চঙক্লরবা মীতৈশিংসু লান ঙাক্তবা য়াদদুনা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎলিঙৈ চৈরক্তা ইলেক্সন তৌশিল্লকপা হায়বসি খঙই- মীতৈগী মমু য়ৈথৎলগে খন্না মীতৈ মচোই-মচোই তাহন্নবা হোৎনরকপনি। কৈদৌরুনি অপোকপা ইপা-ইমামকসু নৎতবা ইন্দিয়াদা লাউ খোংলুবদা তাবীগদবসু লৈতে খন্না খা চিক্তুনা মখোয়না অপাম্বা মওংদা ওৎপা য়াবা ওৎলসু মীতৈদি কনাদসু লান্দবনি মরিংজেল খাবগী অদুক মশীঙ্গা ফূদোক্লা য়েক্লা মায়োং য়াবনি হায়বসি এংলো মণিপুরী ৱার, চহী তরেৎ খুন্তাকপগী অৱা লান্না তন্বীরকপা মরমদমবু নুংশিজবগী, মরমদমগীদমক থৱায় পাম্মুদে হায়বদুদি ময়েক শেংনা উৎলমগনি। কৈদৌরুনি- ইন্দিয়াদা তিল্লুবগী ফূরুপসিনা হৌজ থেংখাঙ কয়া ইকাই ফিরুক খুল্লিবা, কয়ারক থম্মোয় খূত্তুম্না শূদুনা খাঙলিবা অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না হেন্দোক্লা খঙলিবনি। দর্টি পোলিটিক্সতা মপা লৈত্রবা মখোয়গী শরৈ খাঙবা তাবনি নৎত্রগা থৱায় থাখিবা নৎত্রগা কুকিগুম নাগাগুম নীংখা তম্বা লৈবাক অমগী মঙ মঙদুনা লৈখিবা তাবনি। অসুক চাউখৎলবা খম থেংনা মীৎশিং নাশিংনরবা মতমসিদা তাৎ-পাৎনা মীয়াম্বু কয়াম কুইনা নমথদুনা থম্বা ঙমগদৌরিবনো? শম্না হায়রবদা লৈঙাক লুচিংবা অমগী অশেংবা শাজৎ চেন্দি চেন্দনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাথি ৱারেম খরা ঙাংলগা করম্না লৈঙাক্কদৌরিবনো হায়নিংলক্লে। মীয়াম্না খঞ্জবা মীয়ামগী মীহুৎনা মীয়াম্বু য়েক্লবা ওইনা উরকপা হায়বসি দেমোক্রেসিগী ওন্ন-তৈনবা থৌওংনি। মীয়াম্না ঈশিংনি খল্লগা মীয়ামগী মীহুৎনা ঙানি খনবীয়ু। ঈশিং লৈত্রবদি ঙানা হিংবা ঙমদে হায়বসু খঙবীয়ু। ৱাথোক খূদিংমক শন্তাইনবা ৱারোইশিন অমা লৈগনি। শুপ্নগী তঙাইফদ্রবা অহান-অকোনগী অচূম্বা ৱারোইশিননগী কোক থাদবীদুনা মীয়াম্বু পেলহনবীয়ু। মচা ঈশিংদা তাদুনা ঈরাক্লরিবা অদু চোংথদুনা কনগে হায়দনা কনানা ইচা ঈশিংদা ইন্থরিবনো খন্দুনা কোক শান্নবদুনদি তুংদা নীংঙল্লক্লোই।

অদোমগী - বি সী খুমন,
ইম্ফাল, # ৮৪১৪৮৮১২৮৯

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 42/SDC/SLG/IE of 2024 Dated : 13/03/2024

Yengkhom Ahanbi Devi, D/o Late Y. Ratan Singh of Khurai Soibam Leikai
- Petitioner

-Versus-

Late Yengkhom Roton Singh, S/o Late Shramo Singh of Khurai Soibam Leikai
- Opposite Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Sagolmang, the 13th March, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ঈ: ঈ: তহশিল খুল নং 12-Pangei পাট্টা নং 235 (অরিবা) 245 (অনৌবা), দাগ নং 196 মোট এরিয়া 0.45 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Sagolmang, Imphal East

HL-P/10545/24

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 43/SDC/SLG/IE of 2024 Dated : 13/03/2024

Yengkhom Ahanbi Devi, D/o Late Y. Ratan Singh of Khurai Soibam Leikai
- Petitioner

-Versus-

Late Thokchom (N) Yengkhom (O) Kulabati Devi, W/o Late Roton Singh of Khurai Soibam Leikai.
- Opposite Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Sagolmang, the 13th March, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ঈ: ঈ: তহশিল খুল নং 12-Pangei পাট্টা নং 301 (অরিবা) 75 (অনৌবা), দাগ নং 250 মোট এরিয়া 1.37 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Sagolmang, Imphal East

HL-P/10545/24